রসিয়াগী দানিল মেদভেদেভনা নোভাক জোকোবিচকী গ্রান্দস্লামগী মঙলান থুগায়দুনা টাইটল লৌখ্রে

ন্যু য়োর্ক, সেপ্টেম্বর ১৩ (এজেন্সী): যু এস ওপন গ্রান্দস্লাম টেনিস টুর্নামেন্ট ২০২১গী ফাইনেলদা রসিয়াগী শান্নরোয় দানিল মেদভেদেভনা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান শান্নরোয় সর্ভিয়াগী নোভাক জোকোবিচকা লম্বা তৌনবদা ষ্ট্রেট সেট ৩দা মায় পাক্তুনা জোকোবিচনা মঙলম্বা গ্রান্দস্লাম ফংবগী মঙলান অদু থুগায়দুনা টাইটল লৌখ্রে।

দানিল মেদভেদেভনা ঙসি নোংঙাল্লমদাইদা লোইশিনখিবা যু এস ওপন গ্রান্দস্লাম টেনিস টুর্নামেন্টকী ফাইনেল অদুদা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান নোভাক জোকোবিচপু ৬-৪, ৬-৪, ৬-৪দা থোইদুনা মহাক্কী করিয়রগী অহানবা গ্রান্দস্লাম টাইটল অদু লৌবা ঙমখিবনি। গ্রান্দস্লাম টাইটল অদু থারগা দানিল মেদভেদেভনা ২১রক শুবা টেনিস টুর্নামেন্টশিংগী টাইটল লৌবা ঙল্লি।

ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা সেট অদুদা শান্নরোয় অনীমক মশা-মশাগী সর্ভিস গেমশিং অদু হোল্ড তৌনরবা মতুং মান্ননা লাক্লম্বদগী জোকোবিচকী সর্ভিস গেম অমা মেদভেদেভনা ব্রেক তৌবা ঙমদুনা ৬-৪দা অহানবা সেট অদু থোইরগা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা সেটতা জোকোবিচনা গেম ২-১দা মাঙজিল থারবা মতুং মেদভেদেভনা সর্ভিস তৌখিবা সেট অদুগী ৪শুবা গেমদা সর্ভিস অমা লাইন্সমেননা থেংনা নেট খেৎলগা চৎখিবা সর্ভিসনি হায়না লাউরকপা অদুদা ব্রেক তৌবা য়াবগী খূদোংচাবা ফংলম্বা জোকোবিচকী মেন্টেল সেট-অপ অদু কায়দুনা গেম অদু মহাক্না ব্রেক তৌবা ঙমহৌদবদা মশামক্না পায়খিবা রেক্কেট অদু কোর্ট অদুদা হঞ্জিন-হঞ্জিন য়ৈশিল্লগা থুদেকখি। থৌদোক অদুগী ওইনা ফাইনেল মেটচ অদুবু কন্দক্ত তৌখিবা জজনা জোকোবিচদা ৱার্নিং পীখি।

জোকোবিচনা মখা তারকপা গেমশিংদা অশাউবা অদু ফাথনা শান্ননবা য়াম্না কন্না হোৎনখি। অদুবু লুরবা তানফমদা রসিয়াগী শান্নরোয় অদুনা লাকশিনবা হেল্লকপদগী অনীশুবা সেট অদুসু মহাক ৪-৬তা মায়থীখি। অহুমশুবা সেট লম্বা তৌনরকপদা নম্বর ৱান শান্নরোয় জোকোবিচনা ফাইনেল মেটচ অদুদা অমুক ইনখৎনবা হোৎনরকপা অদু মশাগী মরেপ ফুট ৬কা ইঞ্চি ৬ ৱাংবা রসিয়াগী শান্নরোয় দানিল মেদভেদেভনা জোকোবিচকী সর্ভিস গেম অমগসু ব্রেক তৌদুনা অহানবা অমদি অনীশুবা সেট অদুদা লৈখিবা স্কোর অদুগা চপ মান্নবা মওংদা ৬-৪দা থোইদুনা যু এস ওপন ২০২১গী নুপাগী সিঙ্গলসকী টাইটল অদু লৌবা ঙমখি।

ঙরাং শান্নখিবা যু এস ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী দবলসকী কাঙলুপ্তা ওষ্ট্রেলিয়াগী সমান্থা ষ্টোসুর অমসুং চাইনাগী জাং স্বাইনা যু এস এগী প্যের কোকো গোফ অমদি কেটি মেকলেনিবু অকনবা লম্বা অমদা ৬-৩, ৩-৬, ৬-৩দা থোইদুনা নুপীগী দবলসকী টাইটল অদু ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং চাইনাগী প্যের অদুনা লৌবা ঙমখি।

আই বি বি এফ এফনা মণিপুরগী মাইবম চাইনাবু অর্নোল্ড ক্লাসিককীদমক ইন্দিয়া রিপ্রজেন্ট তৌনবা খল্লক্লে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৩ (ঐচএনএস): ইন্দিয়ন বোদি বিল্ডিং এন্দ ফিটনেস ফেদরেসন (আই বি বি এফ এফ)না চৎলিবা থা অসিগী ১৭তগী ১৯ ফাওবা স্পেনগী সিটি সেভিয়াদা ইন্টরনেসনল ফেদরেসন ওফ বোদি বিল্ডিং এন্দ ফিটনেস (আই এফ বি বি)গী মখাদা পাঙথোক্কদৌরিবা অর্নোল্ড ক্লাসিক, যুরোপ বোদি বিল্ডিং কন্টেষ্ট ২০২১দা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্নবা মাইবম চাইনাবু খল্লক্লে হায়না আই বি বি এফ এফ মণিপুর য়ুনিটকী মায়কৈদগী চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

থাংমৈবন্দ পোলেম লৈকাইদা লৈবা মাইবম চাইনানা নুপাগী ক্লাসিক কেটগোরিদা মশাগী মরেপ সেন্টিমিটর ১৭১গী কাঙলূপকী ওইনা কিলোগ্রাম ৭০দগীনা ৭৭ ফাওবগী মনুংদা কম্পিটিসন শরুক য়াগদৌরিবনি। ইন্দিয়ন বোদি বিল্ডিং এন্দ ফিটনেস অসি ইন্টরনেসনল ফেদরেসন ওফ বোদি বিল্ডিং এন্দ ফিটনেস অমসুং এসিয়ন ফেদরেসন ওফ বোদি বিল্ডিং এন্দ ফিটনেসতা এফিলিএট তৌবা লূপ অমনি লোয়ননা ওলিম্পিক কাউন্সিল ওফ এসিয়া অমদি এসিয়ন বিস গেমসনা রিকগ্নাইজ তৌরিবনি।

আই বি বি এফ এফ মণিপুর য়ুনিটকী জেনরেল সেক্রেটরি অমদি ইন্দিয়ন বোদি বিল্ডিং এন্দ ফিটনেস ফেদরেসনগী ভাইস প্রসিদেন্টসু ওইরিবা অমদি নেসনল জজকী থৌসু পুরিবা এলাংবম ইনাওসু কম্পিটিসন অসিগীদমক্তা ওফিসল ওইনা খল্লক্লে হায়রি। বোদি বিল্ডর মাইবম চাইনা অমদি এলাংবম ইনাও থা অসিগী ১৪দা ইম্ফাল থাদোক্লগনি হায়রি।

ইন্দিয়াগী টিম এসিয়ন চেম্পিয়নশিপতগী লৈহৌরে

ছিবা, সেপ্টেম্বর ১৩ (এজেন্সী): জপানন্না যূম্নু ওইরগা ছিবা সিটিদা লৈবা পোর্ট এরেনাদা চথুরিবা এসিয়ন মেন্স ভোলিবোল চেম্পিয়নশিপতা ঙসি ইন্দিয়াগী টিম কটারগী মখূৎতা মায়থীবা নংদুনা টুর্নামেন্ট অসিদগী লৈহৌরে।

ঙসি ইন্দিয়াগী নুপাগী ভোলিবোল টিম অদুনা কটারগা লম্বা তৌনখিবা পুল এগী অনীশুবা মেটচ অদু ষ্ট্রেট গেম অহুমদা মায়থীবা নংখিবনি। নীংশিংবা য়াবদি, ঙরাং ইন্দিয়াগী টিম বাহরেনগী মখূৎতা অহৌবা মেটচ অদু মায়থীরবা মতুং চেম্পিয়নশিপ অসিগী মখা তাবা লম্বা চথুবা ঙম্নবগীদমক্তা ঙসিগী মেটচ অদু মায় পাক্তবা য়াদবা অমা ওইখিবনি।

অহানবা গেম অদু কটারগী শান্নরোয়শিং অদুনা ইন্দিয়াবু য়াম্না লম্বা মান্ননা শান্নবা ঙম্লম্বদগী মতাং চাবদা ফজবা পোইন্ট খরা হেনবা ঙমখিবদগী ২৫-২২দা থোইখি। অনীশুবা হাফতা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিং অদুগী মায়োক্তা কটারগী টিম অদুনা হৌরকপদগী লাকশিন্না শান্নবা ঙম্লকপদগী ইন্দিয়াগী টিম অদু শুপ্নগী পোইন্ট ১৪খক য়ৌরকপদা কটারগী টিম অদুনা পোইন্ট ২৫ য়ৌখিবদগী গেম অনী থংন-থংননা মায়থীবা নংখি।

ইন্দিয়াগী টিম অদুনা ফনা কন্না হোৎনদুনা গেম অদুদা মায় ওনশিন্না শান্নরকপা অদু অহুমশুবা গেম অদুগী ওইনা পোইন্ট ২০ খক লৌরগা মখা তানা অহেনবা পোইন্ট হাপচিনবা ঙমদনা লৈরিঙৈদা কটারনা পোইন্ট ২৫ য়ৌখিবদগী ইন্দিয়া মায়থীখি। গ্রুপ অসিদা থংন-থংননা মায়থীবদগী নোক আউট রাউন্দ য়ৌখিদ্রে।

নুমীৎ ৫নিগী ওইবা থাঙ-তাগী কোচিং ক্লাস

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৩ (ঐচ এন এস): থা অসিগী ১৬তগী ২০ ফাওবা নুমীৎ ৫নিগী ওইবা থাঙ-তাগী কোচিং ক্লাস অমা পাঙথোক্লগনি হায়না অপূনবা মণিপুর হুয়েন লানলোং লূপকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি। ইন্দিয়াগী ওইনা অনীশুবা কলচরেল য়ুনিভর্সিটি অমা ওইরিবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরদা বেচেলর ওফ থাঙ-তা তম্বীনিংবশিংগী ওইবা অখন্নবা তাকপী-তম্বীবগী থৌরমসু পাঙথোক্কনি হায়রি।

ফ্লদলাইট থান্দুনা নুমিদাংগী মতমদসু শান্নবা য়াবগী খূদোংচাবা পীখ্রে

থৌবাল, সেপ্টেম্বর ১৩ (ঐচএনএস): ৱাংজিং তেন্থা এসেমব্লি কন্সটিটুয়েন্সিগী মনুংদা লৈরিবা নহারোলশিং অমদি শান্নরোয়শিংগীদমক য়েংদুনা মণিপুর প্রদেশ য়ুথ কোংগ্রেস কম্মিটিগী ষ্টেট কো-ওর্দিনেটর উশম মংলেমনা কন্সটিট্যুয়েন্সি অসিগী তোঙান-তোঙানবা ক্লবশিংগা খূৎশম্নদুনা শান্নবুংশিংদা ফ্লদলাইট থান্দুনা লাকপগী শরুক অমা ওইনা এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সি অসিগী মনুং চনবা টেকচম ময়াই লৈকাই য়ু পি এ সী ও ক্লবকী শান্নবুংদা ফ্লদলাইট থান্দুনা নুমিদাংগী মতমদসু শান্নবা য়াহনখ্রে।

লমদম অসিগী শান্নরোয়শিং মশীং অসুম য়ামখৎলকপা লোয়ননা শান্নফমসু পীকপা মরম্না শান্নফম লৈতবগী অৱাবা মায়োক্লরিবা মতম অসিদা মংলেমনা ফ্লদলাইট থাদুনা হান্না অয়ূক-নুংথিলদা শান্নবা য়াবা মফম অদু নুমিদাংদসু শান্নবা য়াবগী খূদোংচাবা পীবগীদমক ক্লব অসিগী মেম্বরশিংনা অপেনবা ফোঙদোরক্লি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা এম পি ৱাই সী সীগী ষ্টেট কো-ওর্দিনেটর উশম মংলেমনা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইরম্বা লৈখিদ্রবা রজিভ গান্ধীগী চহী ১ চুপ্পা চথগদবা ৭৭শুবা মপোকনুমীৎকী থৌরমগা মরী লৈননা অমদি লৈখিদ্রবা প্রাইম মিনিষ্টর অসিনা মঙজরম্বা মঙলান ওইনা নহারোলশিংদা পাঙ্গল পীবা অমদি শান্ন-খোৎনবদা থৱায় য়াওরম্বা অদুগী মতুংইন্না নহারোলশিংগী ৱাখল্লোন খঙলদুনা ঙসিগী মতেং অসি তৌবনি হায়খি। মখা তানসু ৱাংজিং তেন্থা এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা চৎতুনা নহাশিংগা উনদুনা পায়খৎপা য়াবা থবকশিং পায়খৎকনি হায়খি।

জো রুট অমসুং নুপীগী রিচার্দসন আই সী সীগী প্লেয়র ওফ দি মন্থ লাউথোকখ্রে

দুবাই, সেপ্টেম্বর ১৩ (এজেন্সী): মালেমগী ক্রিকেট মশান্নগী ওইনা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা লূপ ওইরিবা ইন্টরনেসনল ক্রিকেট কাউন্সিলগী মায়কৈদগী থা খূদিংগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা চথুরিবা নুপা অমসুং নুপীগী ক্রিকেট মেটচশিংগী মরক্তা খ্বাইদগী ফজবা শান্নরোয় খনবদা ওগষ্ট থাগী ওইনা ইংলেন্দগী কেপ্টেন জো রুট অমসুং নুপীগী মায়কৈদা আয়রলেন্দগী শান্নরোয় রিচার্দসনবু খ্বাইদগী ফজবা শান্নরোয়নি হায়না মিংথোল পীখ্রে।

জো রুটনা ওগষ্ট থাগী ওইনা খ্বাইদগী ফজবগী শান্নরোয় মিংথোল অদু ইন্দিয়াগী বোলর জস্প্রিট বুমরা অমসুং পাকিস্থানগী সাহিন অফ্রিদিদগী হেল্লগা মিংথোল অদু ফংখিবনি। জো রুটনা ইন্দিয়াগা শান্নবা টেষ্ট সেরিজ অদুদা পূন্না সেঞ্চুরি অহুম য়ৈবগা লোয়ননা পূন্না রন ৫০৭ লৌবা ঙমখি। মদুনা মরম ওইরগা আই সী সীগী নুপাগী বেটিংগী মকোক মথং তাবগী পরিংদা খ্বাইদগী মকোক থোংলি।

নুপীগী কাঙলুপ্তা আয়রলেন্দগী ওল রাউন্দর ইমিয়র রিচার্দসননা মিংথোল অদু ফংখি। মহাক্না ওগষ্ট থাদা পাঙথোকখিবা ৱিমেন্স টি-২০ ৱর্ল্ড কপকী যুরোপিয়ন ক্বালিফায়রদা ফজবা ঙমদুনা ৱিকেট ৭ লৌখিবগা লোয়ননা ওভর ১দা শুপ্নগী রন ৪.১৯গী চাংচৎতা ইকনমি রেট লৈখিবা অদুনা মহাকপু ওগষ্ট থাগী ওইনা নুপী ক্রিকেটরশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী ফজবা শান্নরোয়গী মিংথোল অদু পীখিবনি।

আই সী সীগী ওইনা থা খূদিংগী শান্নরোয় খনবগী পেনেলদা য়াওরিবা সাউথ অফ্রিকাগী ওল রাউন্দর জে পি দুমিনিনা ইংলেন্দগী কেপ্টেন জো রুটনা লৌখিবা থৌদাং অদুবু থাগৎখি।

দুরান্দ কপ ২০২১গী মেটচ অমদা এফ সী গোৱানা সুদেভা দেল্লী এফ সীবু ২-১দা থোইখ্রে

কোলকাটা, সেপ্টেম্বর ১৩ (এজেন্সী): কোলকাটানা যূম্নু ওইরগা চথুরিবা এসিয়াগী খ্বাইদগী লীরবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অদুগা মালেমগী ওইনা অরিবা টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা অহুমশুবদা লৈরিবা দুরান্দ কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ১৩০রক শুবা এদিসনগী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ বিগী মেটচ অমদা এফ সী গোৱানা সুদেভা দেল্লী এফ সীবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

কোলকাটাদা লৈবা বিস্বয়ুব ভারতি ক্রিয়াঙ্গন মীয়াম্না সোল্ট লেক ষ্টেদিয়ম হায়নসু খঙনরিবা মফম অদুদা ইন্দিয়াগী ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈরিবা টুর্নামেন্ট ইন্দিয়ন সুপর লীগকী টিম অমা ওইরিবা এফ সী গোৱা অমসুং আইলীগকী টিম অমা ওইরিবা সুদেভা দেল্লী এফ সীগা লম্বা তৌনরকপদা এফ সী গোৱানা ২-১দা থোইবা ঙমদুনা এফসী গোৱা টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

মেটচ অদুগী অহানবা হাফতা টিম অনীমক য়াম্না লেং মান্ননা শান্নবা ঙমখি। মদুনা মরম ওইরগা শান্নবগী মিনট ৩০ লোইশিল্লকবা ফাওবদা পাঞ্জল চন্নদনা লৈখি। গ্রুপ বিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী অহানবা হাফকী অপীবা মিনট ৪৫ লোইশিল্লকবা অমদি ইঞ্জ্যুরি টাইমগী অনীশুবা মিনটতা এফ সী গোৱাগী মায়কৈদগী মুহমদ নেমিল ভালিয়াটিলনা অহানবা পাঞ্জল অদু চল্লগা ১-০দা মাঙজিল থাখি।

শান্নবগী ৮০শুবা মিনটতা মখা তানা এফ সী গোৱাগী জোর্গে ওর্টিজ মেন্দোজানা পাঞ্জল ১ চল্লগা ২-০দা টিম অদুনা মখা তানা মাঙজিল থাবা ঙমখি। শান্নবগী ইঞ্জ্যুরি টাইমগী ৮শুবা মিনটতা সুদেভা দেল্লী এফ সীগী ৱিলিয়মনা পেনাল্টি অমগী মতেংনা পাঞ্জল অমা চনখি।

মণিপুরগী নুপী শান্নরোয় ৯ ইন্দিয়াগী নেসনল কেম্পতা খনখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৩ (ঐচ এন এস): ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসননা থা অসিগী ১০দগী মথং চহীগী জন্যুৱারী ১৯ ফাওবা ইন্দিয়াগী সিনিয়র ৱিমেন্স নেসনল টিম শেম্বগী কেম্প্যেনগী মনুং চন্না কেম্পশিং অমদি এক্সপোজর টুরগীদমক্তা খনখিবা টিম অদুগী মনুংদা মণিপুরগী নুপী শান্নরোয় ৯ খল্লক্লে হায়না ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি জ্যোটিরমোই রোইনা ফোঙদোরক্লি।

মথং চহীদা ইন্দিয়ানা যূম্নু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা এ এফ সী ৱিমেন্স এসিয়ন কপ ২০২২দা অফবা পর্ফোর্মেন্স উৎপা ঙম্নবগীদমক্তা ঙন্না ট্রেনিং কেম্প হৌবগা লোয়ননা অতোপ্পা লৈবাকশিংগা এক্সপোজর ফ্রেন্দলি মেটচ শান্নগদৌরিবা অদুদা মণিপুরদগী খনগৎলবা শান্নরোয়শিং অদুদি মাইবম লিন্থোইঙম্বী, ঙাংবম স্বিতি, সোরোখাইবম রঞ্জনা চনু, ৱাংখেম লিন্থোইঙম্বী, হেমাম সিল্কি, মার্টিনা থোকচোম, দাংমৈ গ্রেস, ক্রিতিনা থৌনাওজম অমসুং এলাংবম পান্থোই চনুনি।

নিলোবু অম্ফাগী মীহুৎ ওইনা খনখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৩ (ঐচ এন এস): থা অসিগী ১৫গী অয়ূক পুং ১০দা ঐচ টি সী মোরেদা পাঙথোক্কদৌরিবা দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন মোরেগী মীখলদা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী মায়কৈদগী মীহুৎ ওইনা এসিষ্টেন্ট জেনরেল সেক্রেটরি ওইরিবা এম নিলোবু খল্লে হায়না অম্ফাগী চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি। ওফিসল অসিগী টি এ অমসুং দি এ দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন মোরেনা পীগদবনি হায়রি।

অহানবা কর্নেল কে এস ঐচ অরুনকুমার মেমোরিয়ল ফুটসাল

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৩ (ঐচ এন এস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী মীৎয়েং মখাদা কে এস ঐচ ওংবী চন্দ্রলেখা অমসুং ইমুং-মনুংনা স্পোন্সর তৌদুনা চিংঙারেল টেজপুরদা লৈবা পোলোই আর্টিফিসল টর্ফতা অহানবা কর্নেল ক্ষেত্রিময়ুম অরুনকুমার মেমোরিয়াল য়ু-১৮ বোইজ ফুটসাল টুর্নামেন্ট ২০২১ পাঙথোক্লগনি।

টুর্নামেন্ট অসি পূন্না টিম ১৩না শরুক য়াদুনা গ্রুপ মরি থোক্না থা অসিগী ১৭তগী লম্বা তৌনগদৌরি। গ্রুপ এদা গ্রাউন্দ দিভলপমেন্ট কম্মিটি, থিনুঙ্গৈ; ক্লাসিক ফুটবোল একাদেমি, চীংমৈরোং অমসুং পাৎসোই মখা য়াইফ লূপ, পাৎসোইনি। গ্রুপ বিদা ষ্টার স্পোর্টিং ক্লব পোরোম্পাৎ, অনাল খুনৌ য়ুথ ক্লব চান্দেল অমসুং সগাং য়ুথ ক্লব মোইরাংনি। গ্রুপ সীদা রাইজিং এথলেটিক য়ুনিয়ন লাইরিকয়েংবম লৈকাই, য়ুথ ৱেলফ্যের য়ুনিয়ন ককচীং অমসুং মোদর্ন ক্লব কবোৱাকচিং বিষ্ণুপুরনি। গ্রুপ দিদা সোসল দিভলপমেন্ট ক্লব শমুরৌ, ফুটবোল ক্লব লমজাও ককচীং, ক্বা সিফাই য়ুথ ভলুন্টিয়র ওর্গনাইজেসন বিষ্ণুপুর অমসুং য়ুথ ওর্গনাইজেসন স্পোর্টিং ক্লব খুরাইনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহৌবা নুমীৎ সেপ্টেম্বর ১৭তা গ্রুপ এগী ক্লাসিক ফুটবোল একাদেমি অমসুং পাৎসোই মখা য়াইফ লূপ শান্নগনি।

করিম বেঞ্জিমাগী হেটট্রিকনা রিয়াল মাদ্রিদ মায় পাকহনখ্রে

মাদ্রিদ, সেপ্টেম্বর ১৩ (এজেন্সী): স্পেনগী লালিগা ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ৪শুবা রাউন্দগী মেটচতা টুর্নামেন্ট অসিগী টাইটল কয়ারক লৌবা ঙমখ্রবা রিয়াল মাদ্রিদনা সেল্টা ভিগোবু পাঞ্জল ৫-২দা মায়থীবা পীবদা করিম বেঞ্জিমাগী হেটট্রিকনা অচৌবা থৌদাং লৌখ্রে।

মেটচকী হৌরকপা শুপ্নগী মিনট ৪ চঙশিল্লকপদা সেল্টা ভিগোগী মায়কৈদগী সান্টি মিনানা মহাক্কী টিমমেট অয়াগো অস্পাসকী বোলদা অহানবা পাঞ্জল অদু ঙন্না চনখি। অদুবু রিয়াল মাদ্রিদকী মায়কৈদগী করিম বেঞ্জিমানা শান্নবগী ২৪শুবা মিনটতা অতোপ্পা শান্নরোয় ফেদেরিকো বালভর্দেগী বোলনা ইক্কেলাইজর অদু চনখি। মেটচকী ৩১শুবা মিনটতা সেল্টা ভিগোগী ফ্রানকো সর্ভিনা পাঞ্জল ১গা চল্লগা অহানবা হাফ লোইশিল্লকপদা মখোয়না রিয়াল মাদ্রিদপু ২-১দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাফ হেক হৌরকপা মিনট ১ চঙশিল্লকপদা করিম বেঞ্জিমানা অমুক্কা হন্না ইক্কেলাইজর অদু চন্দুনা ২-২দা লৈনখি। শান্নবগী ৫৪শুবা মিনটতা বেঞ্জিমানা পীখিবা বোলদা ভিনিসিয়স জুনিয়রনা টিমগী ৩শুবা পাঞ্জল অদু চনখি। লোয়ননা মখা তারকপা শান্নবগী ৭২শুবা মিনটতা ইদ্বর্দো কামা বিঙ্গানা রিয়াল মাদ্রিদকী ৪শুবা পাঞ্জল চনখ্রবা মতুং শান্নবগী ৮৭শুবা মিনটতা পাঞ্জল ২ চনবা ঙমখ্রবা বেঞ্জিমানা মহাক্কী হেটট্রিক চল্লগা ৫-২দা থোইখি।

রোমানা সাসুলো মায়থীবা পীদুনা টেবল মাঙজিল থারি

রোম, সেপ্টেম্বর ১৩ (এজেন্সী): ইটালিগী রোম সিটিদা রোমা ফুটবোল ক্লবনা সাসুলোবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীদুনা সেরি এগী পোইন্ট টেবলদা মকোক্তা লৈবা ঙমখ্রে।

রোম সিটিদা লৈবা রোমা ফুটবোল ক্লবকী হোম গ্রাউন্দ ওলিম্পিক্স ষ্টেদিয়মদা রোমা অমসুং সাসুলোনা লম্বা তৌনখিবা মেটচ অদু অহানবা হাফকী মিনট ৩৫ হেল্লবা ফাওবা টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙম্নখিদে।

ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা মেটচ অদুগী মাঙওইননা রোমাগী টিম পোইন্ট ৬ ফংলগা ৬শুবা পোজিসনদা লৈরম্বনি। অমরোমদা সাসুলোগী টিম মেটচ ২ শান্নবা লোইশিনখিবদা পোইন্ট ৪ ফংলগা ৯শুবা পোজিসনদা লৈখি।

মেটচকী ৩৭শুবা মিনটতা রোমাগী মায়কৈদগী লোরেঞ্জো পেলেগ্রিনিনা পীরকপা বোলদা ব্রায়ন খৃষ্টেনন্না টিমগী অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি। অহানবা হাফ পাঞ্জল অদুনা লোইশিনখি। ২শুবা হাফ হৌরকপা মিনট ১২ চঙশিল্লকপদা সাসুলোগী মায়কৈদগী দোমেনিকো বেরার্দিনা পীরকপা বোলদা ফিলিপ জুরিসিকনা ইক্কেলাইজর অদু চনখি। অদুবু রোমাগী ষ্টেফান অল সৱারিনা ইঞ্জ্যুরি টাইমগী অহানবা মিনটতা মায় পাকপগী পাঞ্জল চনখি। রোমানা এ সী মিলান অমসুং নাপোলিগা পোইন্ট মান্নরবসু গোল দিফরেন্সতা মাঙজিল থারি।

লিওননা ষ্ট্রাসবোর্গ মায়থীবা পীদুনা ৭শুবা পোজিসনদা লৈখ্রে

পেরিস, সেপ্টেম্বর ১৩ (এজেন্সী): ফ্রান্সতা পাঙথোকপা লৈবাক অদুগী নম্বর ৱান ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ওইরিবা লীগ ৱান ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা ৫শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা লিওননা ষ্ট্রাসবোর্গপু পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীদুনা ৭শুবা পোজিসনদা হাইগৎপা ঙমখ্রে।

মেটচ অদু লিওননা যূম্নু ওইরগা গ্রোপামা ষ্টেদিয়মদা শান্নখি। শুপ্নগী মিনট ৮ চঙশিল্লকপদা টিম অদুগী মায়কৈদগী ব্রুনো গুইমারেসনা পীরকপা বোলদা টিমমেট মোসা দেম্বেলেনা অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি। মখা তারকপা মেটচ অদুগী পুংখায় হেনবা মতম অহেনবা পাঞ্জল চন্নদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফকী মিনট ১৯ চঙশিল্লকপদা লিওনগী জেসন দেনায়রনা টিমমেট জর্দন সাকিরিনা পীরকপা বোলদা অনীশুবা পাঞ্জল অদু ৬৪শুবা মিনটতা চনখি। ষ্ট্রাসবোর্গনা পাঞ্জল হন্দাকপা ঙমদ্রিঙৈ মেটচকী ৮৭শুবা মিনটতা মখা তানা লিওনগী লুকাস পাকিতানা হোসেমগী বোলদা টিমগী অহুমশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা মায় পাকপগী লম্বেল লৈখি। ষ্ট্রাসবোর্গকী মায়কৈদগী শান্নবগী ইঞ্জ্যুরি টাইমগী ৭শুবা মিনটতা ঐচ এম দিয়ালোনা পেনাল্টি অমগী মতেংদা পাঞ্জল ১ চল্লগা মখোয় ১-৩দা মায়থীখি।

লীগ ৱানগী ওইনা পেরিস সেন্ট জর্মেননা মেটচ ৫দা পোইন্ট ১৫ ফংলগা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈরি। অদুগা এঞ্জর্সনা ২শুবদা লৈরি।

মাসিগী ফাউন্দর মেম্বর বিরমণি লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোক্লি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৩ (ঐচ এন এস): মণিপুর এদভেঞ্চর এন্দ এলাইদ স্পোর্টস ইন্সটিট্যুট (মাসি)গী ফাউন্দর মেম্বর ওইরম্বা নোংথোম্বম বিরমণিনা মনুং-মতম চাদনা লৈখিদবদা ঙরাং ইন্সটিট্যুট অসিগী মেম্বরশিংনা অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম অমা পাঙথোক্তুনা লৈখিদ্রবগী মফমদা মিনট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা তাইবঙ মপূগী মফমদা খুরুম্বগা লোয়ননা ইকাই খুম্নবা উৎখি।

ঙরাং পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা ইন্সটিট্যুট অসিগী প্রসিদেন্ট এন শরতচন্দ্র, ভাইস প্রসিদেন্ট দল্লিয়ু জাদুমণি অমসুং দল্লিয়ু সুশিলকুমারগা লোয়ননা মণিপুর এদভেঞ্চর এন্দ এলাইদ স্পোর্টস ইন্সটিট্যুট অসিগী মেম্বরশিং শরুক য়াখি।

ঙরাং অৱাবা ফোঙদোকপগী থৌরম অদুদা এদভেঞ্চর অমসুং স্পোর্টসকী লম্দা চাউখৎনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাংশিং লৌরমখিবা লৈখিদ্রবা নোংথোম্বম বিরমণিগী থৌদাংশিং অদুবু নৌহৌননা নীংশিংখি।

এদভেঞ্চর অমসুং এলাইদ স্পোর্টস খক্তা নৎতনা শান্ন-খোৎনবগী হীরম খূদিংমক্তা চাউখৎনবা হোৎনবদা কখোকপগা লোয়ননা নোংথোম্বম বিরমণিনা থবক কয়া পায়খৎলম্বা অদুবু মতম পূম্বদা নীংশিংদুনা লৈহৌরগনি। লোয়ননা লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংগী অৱাবদা শরুক য়ারি হায়খি।

HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE

PUZZLE NO. 229



Henderson, M. (1614) - Mistry, Prashant (1832)
North Shore op Auckland, 1998

1.d4 Nf6 2.c4 e6 3.Nc3 Bb4 4.e3 c5 5.a3 Ba5
6.Bd3 d5 7.cxd5 Nxd5 8.Nge2 Nc6 9.O-O Qh4 10.Nxd5 exd5
11.dxc5 O-O 12.Nf4 Be6 13.b4 Bc7 14.g3 Qh6 15.Bb2 Ne5
16.Be2 Rad8 17.b5 g5 18.Nh5 g4 19.Nf4 Qg5 20.h3 gxh3
21.Nh5 h2+ 22.Kxh2 Qf5 23.Nf4 Nc4 24.Bc3 Bxf4 25.exf4 d4
26.Bb4 Qh3+ 27.Kg1 Ne3 28.fxe3 Qxg3+ 29.Kh1 Qh3+ 30.Kg1 dxe3
31.Rf3 Qg4+ 32.Kh2 Rxd1 33.Rxd1 Qh4+ 34.Kg2 Kh8 35.Bc3+ f6
36.Rg3 Qxf4 37.Rf1 Qe4+ 38.Kg1 Bd5 39.Bf3 Qc4 40.Ba1 Qxc5
41.Be2 Qd6 42.Rg4 h5 43.Rg6 Kh7 44.Bd3 Bf7 45.Rfxf6...

QUESTION :

White to Win

Puzzle 228 Ans. :

31. ...Qh5+ 32.Rh4 Qf5+ 33.g4 Rxh2+ The black rook decoys White's king. 34.Kxh2 Qf2+ The black queen attacks White's king, which is defending square h1. 35.Kh3 Rh1# Highstriker mate

31. ...Qh5+ 32.Rh4 Qf5+ 33.g4 Rxh2+
0-1

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Executive Editor: Maisnam Karnajit, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com